# যুএননা ইন্দিয়াদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী দ্রাফ পুথোকখ্রে

## ইন্দিয়ানা সেপ্টেম্বরদা পাউখুম পীগদৌরি

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, মে ৩১ঃ*** থা অসিগী ২৪ দা জেনেভাদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ানা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী রেকোর্দ পুন্নমক রিভিয়ু তৌবা যুনিভর্সেল পেরিওদিক রিভিয়ু (যুপিআর) না পুথোকপা দ্রাফ রিপোর্টতা যু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী যু পি আর ৱার্কিং গ্রুপ্না ঙরাং অয়াবা পীখ্রে।

ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা ৱার্কিং গ্রুপ অসিগী ইন্দিয়ান ওফিসিয়েলশিংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি, যু এন মেম্বরশিংগী হ্যুমেন রাইটস রেকোর্দশিংবু কুপ্না নৈনরিবা যু পি আর গী রিভিয়ু অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লৈবাক অসিদা চৎনরিবা আইন, পোলিসি অমসুং কন্সটিট্যুসনগী প্রোভিজন খরা ইচম চম্না পনবা নত্তনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনরে হায়বা ৱাফম অসি য়ানিংবা উৎপা তৌখিদে।

ইন্দিয়াগী মতাংদা পাঙথোকপা যু পি আর অদুদা লৈবাক মরীফুনা শরুক য়াখি অমসুং অরুবা হ্যুমেন রাইটসকী ইশ্যু কয়াগা মরী লৈনবা রেকোম্মেন্দেসন পুন্না ১৫৯ তৌনখি। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টতা তৌরিবা রেকোম্মেন্দেসনশিং অদুগী মনুংদা যু এন কনভেন্সন অগেন্স টোর্চর অমসুং ইনফোর্স দিসএপ্প্যারেন্সপু খুদক্তা চৎনহনবা, অফস্পা লৌথোকপা, প্রেভেন্সন ওফ কম্ম্যুনেল এন্দ তার্গেটেদ ভাইওলেন্স বীল পাস তৌবা, নুপী ওইবীশিংগী মথক্তা চত্থবা সেক্স্যুয়েল ভাইওলেন্স অমসুং হিংশা মখল খুদীংমক থিংনবা রিফোর্ম মপুঙ ফানা পাঙথোকপা, পুলিস ওফিসারশিংগী হ্যুমেন রাইটস ত্রেনিং হেনগৎহনবা, শিবগী চৈরাক মুখৎপা নত্রগা কোমথোকপা, চাইল্ড লেবর মখল খুদীংমক থিংবা, মমা অমসুং অঙাং শিবগী চাং হন্থহন্নবা থবক কনখৎহনবা, মী লল্লোনবা থিংনবা অহেনবা থবক পায়খৎপা অমসুং সহর অমদি খুঙ্গংগী খেন্নবা লৈহন্দনবা হোৎনবা হায়রিবশিং অসিসু য়াওরি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা ঐচ আর সি গী সেসন অদুদা ইন্দিয়ানা রেকোম্মেন্দেসনশিং অসিগী পাউখুম অমত্তা পীয়ু হায়বা য়াখিদে। মদুগী মহুৎতা ৱাফমশিং অসি নিয়ু দিল্লিদা খন্নরগা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর থাদা জেনেভেদা পাঙথোক্কদৌরিবা ঐচ আর সি গী *(মখা লাঃ৪দা)*